
# নম্ফু হাফুদি য়ারোই

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

ঐখোয়গুম্না মীৎ খুবা, নাতোন নম্বা ঐখোয়গা শক চু য়াম্না মান্নবা, নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোলসু য়াম্না মান্নবা য়ূমথংনরিবা লৈবাক চাইনানা হীরম খুদিংমক্তা মালেমগী মকোক ওইরক্কদৌরবা মতমসিদা নোংচুপলোমগী কোলোনিএলগী ৱাখল্লোন ইন্দুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওই কাঙলূপ ঐখোয়বু উশিত্তবা মীৎয়েং য়েংদুনা ঐখোয়বু নমথদুনা থম্বগী ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন্দো খুদক্তা থাদোকপনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। অৱাং নোংপোক্কী কাঙলূপ ঐখোয়বু মীকুপ খুদিং লৈতানা লৈবা ঙমহন্দনা য়াম্না শাথিনা ওৎতুনা থল্লকপসি চহী ৭০ শুল্লেক্লে। করম্বা মতমদবু নেনা তানা হিংবা ঙমগদৌরিবা। ঙাইহাক লৈরগা পাউ অমা অদুদগী ঙাইহাক লৈরগা পাউ অমা অদুদগী ঙাইহাক লৈরগা অতোপ্পা পাউ অমমুক। শুংলেপ হেক লেপ্পা লৈতে নুংঙাইতবা, মীহুল দং-দং চোংহনবা অমদি মীপাইবা পাউ ঙাক্তা। নুংঙাইবা পাউদি য়াওদে হায়বদি য়ারোই, য়াওই অদুদা থবক ওইনা পাঙথোকখিদবগী ৱানি।

মতম অমদা য়াম্না মথৌনা ফনা, মনীংতম্না হিংজরম্বা ইরমদম কংলৈপাকনি। অদুবু ঙসিদি ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগী/তিলহনখিবগী মীকুপ খুদিং মীপাইবা লেপত্রি, তোঙান তোঙনাবা ইন্দিয়ানা শান্নরিবা থৌদাং কয়া অসিনা। অহানবদা কবো ভেল্লি পীথোকখ্রে, অনীশুবদা য়ূমথংনরিবা ম্যান্মারবু পেন্নবা হোৎনবদা ঐখোয়গী হান্নগী পিকই হায়না লৈজরিবা ঙমখৈ মচেৎ মচেৎ ম্যান্মারদা পীথোকপা লেপত্রি অদুগা হৌজিক্লা অমুক নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা ইরমদম কংলৈপাকসি করম্বা ফীভমদা লাক্কনি হায়বা ঙমদনা মীপূম খুদিংমক মীপাইনদুনা লৈরি। লোইদ্রি মসিনসু। লৈরি সী এ বিগী মীপাইবা ফোঙ ফোঙ শানা। মসি ইরমদম কংলৈপাক্তখক্তা নত্তে, অৱাং নোংপোক লমদম খুদিংমক্তনি থোক্লিবা। করিনো ইন্দিয়ানা শান্নরিবা থোক-মোকসিবু। ঐখোয়বু য়াম্না পংবগী মওংদা খঙলরোই হায়বগী মতাগুম। শিংবগী, ঙম্বগী হায়রবদি মখোয়না করিসু হেল্লোই, মরুওইনা ঐখোয় কংলৈচাশিংদগী। ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়ানা মীশিং অদুক হেনখিবদুদা মখোয়না হেনবা মানবগী ৱানি। মীশিং চপ মান্ননা পুথোক্নরগা করিনো হীরম অমত্তা হৈশিংনা তানদুনা য়েংসি। শান্ন-খোৎনবদা অমদি কলচরদা ইরায় লায়না উবা ঙল্লিবসিনি হৌজিক হৌজিকসু।

কবো ভেল্লি, নাগা পিছ টোক, সী এ বি, ঐখোয়গী ঙমখৈগী ওইরিবা চয়েৎনবশিং অসিতা নত্তে ঐখোয়না থেংনরিবা, মরুওইবা খরা পঞ্জবগী ৱানি। অতৈসু য়াম্না লৈরি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা অফস্পাগী নম্ফু-শাফুগী আইন চলাইদুনা লাক্লি শাংলবা চহী ৩০ ফাজিল্লক্লবসি। মতম শাংনদগী মীয়ামগী মায়োক্তা থমজিন্দুনা লাক্লিবা অফস্পাগী তমথীরবা মীৎয়েং মখাদা নীংতম্না চৎথোক চৎশিনফাওবা য়াদনা লাক্লি। অসিগুম্বা তমথীরবা আইন অসিগী মখাদা লমদম অসিবু নীংখা তম্বা পুরক্লবা হোৎনখিবা লালহৌবা কয়া অমা মীচম কয়া অমা মপুন্সি লমখাংদা লোইশিনবীখ্রে। নম্ফু হাফুদা লৌশিনখিবা ইরমদম্বু নীংখা তম্বা পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসি লমদম অসিগী মীওইশিংগী রাইট/হক নত্তবরা। হোয় শেংদবা নীংতম্বা তানশিন্নবসু য়াওদবা নত্তে, অদুবু অশেংবসু অরানবসু চপ মান্ননা হাৎতোক্লিবনি আর্মিগী মখূৎ চল্লবা ফাওবদা। লমদম অসিগী অখঙ অহৈশিংগী মতুংইন্না মণিপুরগী ইনিংথৌ বোধচন্দ্রবু নমদুনা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা মজ'র এগ্রীমেন্টকী অয়াবা খূৎয়েক পীহনখিবগী ৱাফম মীয়াম্না খঙনরে। মদু অরানবা থৌইনশিন্নি খঙলবা লমদমসিবু নীংখা তম্না হিংজনীংবা মীওইশিংনা ঐখোয়দি নখোয়গী উশিত্তবা, হন্থনা য়েংবা মীৎয়েং মখাদা নখোয়গী মখাদা নখোয়গা পূন্না লৈবা পামদে নীংতম্না তোঙান্না লৈজ গে হায়বসিবু টেররিষ্টনি হায়বিরি। কনাগুম্বা এন এস সী এনগুম্বা কাঙলূপ অমদি ইন্দিয়ানা ইফোং ফোংনা অদুম থাদোক্তুনা থম্বা অদুগা অতোপ্পা নীংতম্বা তানবা কাঙলূপ্পুনা টেররিষ্টনি হায়না মীহাৎ মীপূন তৌদুনা লোইশিন্নবা হোৎনবা অসিবু করম্বা ইন্দিয়াগী থৌওংনো। তৌগে হায়রদি চপ মান্ননা তৌরোদনা। অসিগুম্বা তমথীরবা আইন অসি খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়রিবা ইন্দিয়া অসিগী মনুংদা থোক্লিবনি। মসিননি মালেমগী লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবু নোক্নরিবা।




ইন্দিয়ন অমা ওইনা হিংলবসু ইন্দিয়ন অমা ওইনদি খনবিদ্রি ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়নশিংনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্বু। মীচম মীয়াম ঐখোয়বু করম্বা মীৎয়েংদা থম্বীবগে হায়বদুদি থম্বু থমখিসি। লমদম অসিগী লুচিংবনি হায়দুনা লৈজরিবা এম এল এনি, মিনিষ্টরনি হায়দুনা দিল্লিদা চৎখিবদা কনানবু লূম্না লৌবিরিবগে, উশিৎপীরিবগে কন্না হায়জরবা কান্দতা খরা তাবীবা নত্তনা। য়েংবীয়ু হৌজিক হৌজিকমক ইরমদমগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং সেন্টরদা চৎতুনা নাগা পিছ টোককী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি অতৈ মিনিষ্টর খরগা উনজগে হায়বদা দিৱালি কুম্মৈ লৈ শংদে হায়দুনা উনবা ফংদ্রি। মসিনা ঐখোয়দা য়াম্না মীপাইননা লৈরিবা ফীভমসি মখোয়গী হরাও কুম্মৈ অসিনা হেন্না লুই হায়বগুম লৌরি। অসিগুম্বা য়াম্না তোন্না হায়জবগী মওংসিদি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদি তৌখিদে। হায়জনীংবদি, ইন্দিয়ানা অসুম্না ঐখোয়বু হন্থনা, উশিত্তনা অসুম য়েংবীদুনা লাকপনা, মখোয়গী মখাদা য়াম্না তোন্না নি-নিদুনা হিংলকপনা ঙসিদি ঐখোয়গী থৌনা লিংজেল, মপু অমা ওইরম্বগী ৱাখল্লোন অদু পূম্নমক মাঙখিবদৌনা লৈরে হায়জবনি। করম্না ঐখোয়গী ইপা ইপুনা হিংলম্মী হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহনবা মথৌ তাই।

হন্দক্কী নাগা পিছ টোক্কী মতাংসিদা করিগুম্বা ইন্দিয়ানা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী মীয়ামগী রাইট/অনীংবগী ৱাংমদা থবক তৌরক্লবদি ঐখোয় মখোয়গা পূন্না মখা তানা লৈররোই হায়না থৌনা ফনা লাউথোক্তুনা খঙহনগদবনি। হায়রিবসি সী এস ওশিংগীখক নত্তে। অসিগুম্বা ফিরেপসি লৈরিবা এম এল এ ৬০, মিনিষ্টরশিং অমদি এম পি খুদিংমক্লসু ৱারেপ অসি লৌগদবনি। মসিদা চীংমীনা অমা হায়, তম্মীনা অমা হায় নাকল নাকলগী ওইবা, মশাগীতা ওইজবা থিবগী অপিকপা ৱাখল্লোন অদো থাদোক্কদবনি। অসিগুম্বা অপিকপা ৱাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইরায় লায়না শান্নদুনা তোঙান তোঙান থমদুনা মখোয়না শান্নবা ঙল্লিবনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙফম থোকই।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কা হেক পুল্লকপদগী মান্নবা মীৎয়েংদা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু য়েংবীরম্লবদি অসিগুম্বা নুংঙাইতবগী অমদি তোঙান তানীংবগী ৱাখল্লোনসে লাক্লমদবসু য়াই। য়ু এস এ হায়রিবা সুপর পৱার অসিসু ইন্দিয়াগুম পূনশিন্দুনা শেমখিবা লৈবাক অমনি। অদুবু করম্বা ষ্টেটনা য়ু এস এদগী তোঙান তাজরগে হায়বা লৈখ্রবগে। হোয় শুকলৈ লৈতে হায়বদি য়ারোই অদুবু ঐখোয়গী থম্মোয়না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা ফাওরিবা অসুন্নদি ফাওবা লৈতে মরমদি য়ু এস এগী ষ্টেট খুদিংমক, মফম খুদিংমক্তা মান্নবা মীৎয়েং থম্বীদুনা চাং মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনবনা। অদুবু ইন্দিয়ানা ঐখোয়দা য়েংলিবা মীৎয়েংদি কদাই। ইন্দিয়ানা শেল খরা থাদরগা মখোয়না থোকপা পংলৈ লৈজনি উমংগী চাওখৎতবা কাঙলূপশিং অসিবু হায়দুনা উশিত্তনা থল্লকপদগী শেল-থুম, য়ূমলৈ কৈরৈদা শিথরে হায়বা ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়াদগী অসুক্কী মতিক অমুক্কা শোত্থনা লৈরিবসিনি।

শেল খরা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদরকপা অদুসু নীংথৌনা শীজিন্নরিবা হায়নসু য়েংশিনবীদবনা ক্লার্কতগী হৌরগা সী এম ফাওবগী থাক্তা থবক তৌরিবা মীওইশিং অসিনা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা লাকপনা অমুক্কা হেন্না চাওখৎপা, মাঙদা চৎশিনবা ঙমহল্লে। করিগুম্বা ঐখোয়গী অৱাং নোংপোকপু লুম্না অমদি উশিৎপা মীৎয়েংদা য়েংবীরম্লবদি শেঞ্জা থুমজা তৌবা খরসু হন্থদুনা খরসু চাওখৎলম্বা য়ারিপোৎনি। অদুবু পুমহুন হুন্দোক্তুনা থন্বীরকপনা শেঞ্জা-থুমজা ঐখোয়না মকোক তাদুনা লাক্লি হায়না ঙসিফাওবদা।

ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়ানা মীওই ঐখোয়বু মীতোপকুম য়েংবীরি অমদি উশিত্তনা তাথী-তাওইনা তৌবিরি। মখোয়না ঐখোয়বু অসুক্কী মতিক উশিত্তে মদুদি লন্নীগী চিনখৈনা লৈবা মঙম মকৈ নিংথিনা লৈজদবা মীওইশিং অসিনফাওবা ঐখোয় অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু উশিৎপীদে। খরসু উশিৎহনবা য়াবনি ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা শান্নবগী লম্দা, তোঙান তোঙানবা হীরমদা অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী ওইবা লম্দা ইন্দিয়াগীদমক পুরক্লিবা মীংথোলশিং অসিনা। অদুবু লাইবক থীবদি ঐখোয়গী লুচিংবনি হায়না তৌরিবশিং অসিনা মাঙহল্লে পূম্নমক মখোয়গী শেঞ্জা থুমজা অমদি ফম তান্নবদা তৌরিবা মতৌসিদা। ঐখোয়গী লাইবক থীবনি।

ঐখোয়গী পেন্দবা অমদি তোখাই তানীংবগী ফীভম অসিবু উদুনা অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিং অসি অতোপ্পা লৈবাক্তা তিনখিদ্রা নৎত্রগা নীংতম্বা লৈবাক/লৈবাকশিং ওইখিগদ্রা কিবদগী ইন্দিয়ানা তোঙান তোঙানবা নমথাক কয়া শান্নদুনা তোখায় তোখায় থম্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। নাগা পিছ টোক অসিসু অদুগুম্বা ইন্দিয়ানা শান্নবা থৌওং অমনি হায়বদা লাল্লগদ্রা। পিছ টোকনি হায়রিবা থৌওং অসিনা করম্বা অকায়বা পুরক্কনি খঙদ্রি হৌজিক। সোসল মিদিয়াদা থেংনবা মতুং ইন্নদি হৌজিক হৌজিক নাগালেন্দ অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তা অহেনবা পরা মিলিটরি কয়া থাজিনখ্রে হায়বগী পাউ থেংনৈ। হান্নদগী অফস্পাগী মখাদা অসুক য়াম্না অর্ম ফোর্সেস বট্টালিয়ন অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সেস থমজিন্দুনা লাকপসিগী মথক্তা হৌজিক অমুক হেন্না থাজিল্লক্লি। করিগুম্বা থাজিল্লক্লিবা ফোর্সেসশিং অসিবু লৌথোকখিবা লৈত্রবদি ইরমদমসি লান্মীশিংগী লৈফম তরানি। হান্নদগী লৈরকপা অফস্পাগী ফোর্সেসশিং লৌথোক্তবগী পেন্দবা লৈরিঙৈসিদা হৌজিক্লা পেরা মিলিটরি, সী আর পি এফ অমদি বি এস এফনচিংবা ফোর্সেস ময়াম অমমুক থাজিল্লকপা হৌখ্রে ঈরাং থোরকপা য়াই নমথনবনি হায়দুনা। থাজিল্লক্লিবা ফোর্সেসশিং অসিনা কয়াম কুইনা অমুক লৈথগদৌরিবা তম্বা ঙমদে। করিগুম্বা প্রসিদেন্ট রুল লৈরক্লবদি ইয়াম য়াম্না হনখিদবসু য়ারিপোৎনি। হৌজিক ইরমদম কংলৈপাক অসিদা ঐখোয় মশেল খৎনরিঙৈ, নুংশিনদ্রিঙৈ ইন্দিয়ানা জে এন্দ কে থুগাইবগী ফীভমসি লাক্কদৌরিব্রা হায়বসিসু মীপাইবা পোক্নরে মীয়ামদি। মদুমক থোক্ত্রগসু প্রসিদেন্ট রুল থম্বা য়াবগী ফীভমসু লাকপা য়াই হায়না চীংনরি। য়ামখ্রেদা ঐখোয়না মীপাইবা পোক্লিবা হীরমশিংসে। অসুম্না অসুম ইরমদম কংলৈপাকসিবু মুৎখিগদৌরিব্রা চিংনদবা ঙমদে।

অসুম্না, অৱাং নোংপোক্কী লমদমশিং অসিবু অমদি কাঙলূপশিং অসিবু থুগাইনবা লমদম অমগা লমদম অমগা, কাঙলূপ অমগা কাঙলূপ অমগা নুংশিনদনবা হিগাইৱা কয়া কাপশিন্দুনা লাক্লি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা। হান্নদি মসি খঙলমদবসু য়াই অদুবু ঙসিদি মখোয়না শান্নরিবা লীলা অসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙলে হায়বা য়ারে অদুবু মখোয়গী অমোৎপা অপংবগী থোক মোকসি শান্নবা লেপত্রি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা। অসিগুম্বা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা মতম কয়া শাংনা ঐখোয়বু, অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু নমথদুনা থম্বা ঙমগদৌরিবা ইন্দিয়ানা ৱাখল মুন্না খন্থরগা চেকশিন খোঙথাং থাংফম থোকই।

হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা অসিগুম্বা থোক-মোক নৎত্রগা হিগাইৱা শীজিন্নদুনা দিভাইদ এন্দ রুল তৌগে হোৎনবগী মহুত্তা থম্মোয় শেংনা অৱাং নোংপোকপু পুনশিন্না অমদি নুংশিননা লৈমিন্নহন্নবা শিনগদবনি অমদি অৱাং নোংপোক্কী শেল-থুমগী ফীভম, য়ূমলৈ কৈরৈ চৎথোক-চৎশিনগী লম্বী থোং ফগৎনবা হোৎনগদবনি। অসুম্ন তৌরবদি মীয়াম্নসু ইন্দিয়া লৈঙাকপু থাজদুনা ইন্দিয়াগী নেসনল অমদি টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি মপূং ফানা থম্বদা মতেং য়াম্না ওইগনি খল্লি । অদুনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা নাগা পিছ টোক অসি কাঙলূপ অমখক্কী হায়বদি এন এস সী এন (আই-এম) গী মখাদা লৈবা নাগা কাঙলূপখক্কী খন্দুনা অতোপ্পা নাগালেন্দদা তারিবা নাগা কাঙলূপশিংদা অমদি থংনরিবা অতৈ ষ্টেটশিংগী ঙমখৈদা, লৈঙাক্তা শোক্তনবা য়াম্না ৱাখল তৌবিদুনা চেকশিন্না খোঙথাং থাংফম থোকই। অদুদি নত্তদুনা য়াম্না খঙ হৈরবনি নৎত্রগা মখোয়না মশীং য়াম্মী, ঙম্মী হায়দুনা তৌনীংবা পংতৌ তৌবা, হিগাইৱা পংশান শান্না নম্ফু হাফুদা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী লুচিংবশিং তানদনা ৱারোইশিন পুরকপা তারবদি অফবা অমদি ঈং-তপ্পা অৱাং নোংপোক্কী লমদম অমা পুরকপা ঙল্লোই। কাঙলূপ অমবু য়াননবা হোৎনবদা অতৈ য়ানীংদবা কাঙলূপ ময়াম অমগী থম্মোয়দা শোকপা তারবদি য়ানীংদবা কাঙলূপ কয়া চোংথোরক্তুনা নুংশিনদবা, অৱাবা, অশি-অনা কয়া থোরকপা য়াই হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙফম থোকই। মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনবদা জুন ১৮ থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক্তা ইরমদমগী থৌনা ফবা মীওই ১৮না থৱায় থাখিবদো অদুদগী হন্দক্লা হেন্না চাউবা ঈহৌ অমা থোরকপা য়াই হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নীংশিংফম থোকই।

অদুগা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙজিনগদবা অমনা ঙসি ২১শুবা সেঞ্চুরি অসিদা এসিয়া লৈবাকশিংনা, মরুওইনা চাইনা, সিঙ্গাপোর, জপান, কোরিয়া, হোং কোং, টাইৱান্নচিংবা লৈবাকশিং অসিনা মালেমগী হীরম খুদিংমক্তা মকোক থোংবা ওইরকপসিদা ঐখোয়গুম্বা মনাতোন নম্বা, মীৎ খুবা, থিক নেম্বা, কুচু মান্নদবা লোয়ননা নাৎতা, চিঞ্জাক্তা অমদি লাইনীং লাইশোলদা য়াম্না খেন্ননা লৈরকপা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীওই ঐখোয়বু উশিত্তনা য়েংবগী মতমদো লোইশিল্লক্লে হায়বসি ইন্দিয়ানা খঙগদবনি। ঐখোয়গুম্না মীৎ খুবা, নাতোন নম্বা ঐখোয়গা শক-চু য়াম্না মান্নবা, নাৎ অমদি লাইনীং লাইশোলসু য়াম্না মান্নবা লৈবাক চাইনানা মালেমগী মকোক ওইরকপসিদা ঐখোয়বু নমথদুনা থম্বগী ৱাখল্লোন্দো ইন্দিয়ানা খুদক্তা থাদোকপনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। ইন্দিয়া চাওখৎহনগে হায়রবদি ঐখোয়না নোংপোক থোঙ হাংদোক্লিবনিনা ঐখোয়বু নীংথিনা লোয়নদুনা ঐখোয়গী মতেং লৌবা মথৌ তাগনি হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙগদবনি। অৱাং নোংপোক লমদমশিং অসি য়াওদনা ইন্দিয়ানা করম্না চাওখৎলবা নোংপোকলোমগী লমদমশিং অসিগা ফাওনগদৌরিবনো হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কাউবীরোইদবনি। ফীভম অসি খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চথরিবা নাগা পিছ টোক অসি য়াম্না চেকশিন্না থংনরিবা য়ূমলোন্নবা ষ্টেযশিং অসিগী লৈঙাকপশিং অমদি সী এস ওশিংগা মুন্না তানরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱারেপ লৌবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অশিংবা খোঙথাং ওইগনি হায়না থমজগে। ●

# ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচর, ডান্স এন্দ ম্যুজিক থৌরমদা থাঙ্গা কারাং পাঙলুবা

- মুতুম দেবলা -

থাংজিং চীংশাং মশাইকোল
থুপচৈ মরুম লোক্তাক লাইরেম্বী
লীরক্লি ৱারী লৈশেমঙৈ
থোকখি নশাইকোনসিদা
মুৎনাইদ্র ৱারী, শায়োল তরেৎ,
খোইয়ুম লাংওন চঙখোনবা
লৈমরেল লাংওন নীংথিবী
কাউঙমদ্রবা ৱারীনা ওইরি
খোরিরোল পুক্কে অথোইবা ...।

ওক্তোবরগী তাং ১৯ দগী তাং ২১ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা, রাইটরস ফোরম ইম্ফালনা নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল, মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগা খুৎশম্নরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অসি তরাই তরাইবা থৌরম অমা নত্তে হায়বসি অহৌবদা থমজরি। আর্ট হায়বসিগী অরোইবা, অরেপ্পা মশক লৈতে হায়নরিবনি। অমখক পাঙথোকপদা, নৈনবদা লোইবা নাইরোইদবা হিরম অসিবু তোঙান তোঙানবা মশক অহুম পুনশিল্লগা পাঙথোকপা হায়বসি অরাইবা নত্তে। অদুবু মফম অমত্তদা, মতম অমত্তদা পুন্না উবা ফংবগী নুংঙাইবা অদুদি মীপুম খুদিংদা ফাওনখি। লোয়ননা অৱাং নোংপোক লমদমগী অপীকপা ষ্টেট ওইজরিবা লমশিংগী মীহুৎ য়াওবীদুনা ঐখোয় অমগা অমগা, মখল মখলগী আর্টকী মতেংনা শকখঙনবা, পাউ ফাওনবা ফংবা মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা করিনো ?

ওক্তোবরগী তাং ১৯ দা মণিপুর দান্স একাদেমি হোলদা অয়ুক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখি। শক্লাইরবা ফিল্ম মেকর অরিবম শ্যাম শর্ম্মা (ময়াম্না ঐজ্ঞ্যা শ্যাম হায়না মিঙ্গৌজবা)না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা লেংশিনবীখি। অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা মপাল লমদগী লেংবীরকপা, মানাস রঞ্জন মহাপত্রা, ইমিনেন্ট পোইট, ডা. বিজয় চৌধুরি, প্রোফেসর ওফ ইংলিস এন্দ ক্রিটিক লোয়ননা রাইটরস ফোরমগী প্রসিদেন্টসু ওইবিরিবা ইমিনেন্ট রাইটস ওজা ইবুংঙো কৈশাম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু ওইবীদুনা ফমফল্লাংদা লেংশিনবীখি।

পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী ফেষ্টিবেল দাইরেক্টরসু ওইবীরিবা দিলিপ ময়েংবম্না কি-নোট এদ্রেস পীবগা লোয়ননা চিলদ্রেন লিটরেচরগা মরী লৈনবা লাইরিকশিংসু ফোঙদোকখি।

তেন্তক তৌবা পোখাবা অমা লৌরবা মতুংদা নুংঙাইরবা সিমপোজিয়মগী থৌরম হৌখি। প্রোফেসর নোংমাইথেম তোম্বীনা ময়াই তাংবলদা লেংশিনবিখি। 'এন আউটলাইন ওফ দ অসামিজ সোঁট ষ্টোরি' হায়বসিদা প্রোফেসর বিজয় চৌধুরিনা ৱা ঙাঙখি। বিকাশ রোই দেব্বর্মানা 'জেনিসিস এন্দ ইভোল্যুসন, কোকবোরোক' সোর্ট ষ্টোরিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱারোল থম্বীখি। মানাস রঞ্জন মহাপাত্রানা 'কন্টেম্পররি ইন্দিয়ন চিলদ্রেন লিটরেচরগী মতাংদা ফজবা ৱারোল পীবিখি। ডা. নহাকপম অরুনানা কন্টেম্পর্যারি সোঁট ষ্টোরি ওফ মণিপুরগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।



চাকলেন চারবা মতুংদা ইমিনেন্ট রাইটর লামাবম বীরমনিনা ফমফম লাংদা লেংশিনবিদুনা ৱারী মচা পাথোকপগী থৌরম হৌখি। শটিশ কুমার, লাঙ্গোলজম বিরমঙ্গোল, বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, সুনিতা নিঙোম্বমনা মশা মশানা ইজবা ৱারী পাথোকখি।

ময়ামগী পুক্লিং হেন্না চিংশিনখিবা থৌরম অমা ওইনা মরিশুবা সেসনগী 'লেকচর কম দেমোষ্ট্রেসন ওফ মণিপুরী ফ্লোক ম্যুজিক' কী উৎখিবা থৌরম অদুনা য়েংলিবা পুন্নমক্কী পুক্লিং চিংশিনখি। একাদেমি অসিগী আর্টিশশিংনা মোনসাঙ, তাম্বুল অদুগা লাই হরাওবগী থৌরম উৎখি।

মথংগী নুমিৎ তাং ২০ দা অঙাংশিংগী ওইবা মোনোলোক, শৈরেং থিবা, খুনুং ঈশৈ, পেনা, পুং য়ৈবা উত্তুনা মায়াম্বু উহনখি। 'নাট সঙ্কীর্ত্তনশনক্রিটন ওফ গুরু গুলাপি' হায়বসিদা লেকচর কম দেমোনষ্ট্রেসন উৎখি। লাইফ এন্দ ৱার্কস ওফ গুরু গুলাপিগী মরমদা ওজা লৈমপোকপম লাকপতিনা ৱা ঙাঙখি। মনজু এলাংবমনা মণিপুরী জগোইগী নুংগী ফজবা মশকশিং দেমোনষ্ট্রেসন তৌদুনা উহনখি।

নিনি চনবগী অরোইবা সেসন্দা, অনৌবা থৌরম অমা ওইনা ইন্টরেক্সন এন্দ প্রজেনটেসন সেলেক্টেট লিরিকস অমদি সিংগরশিংগী থৌরমদা, মণিপুরী লেঙ্গুএজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমিগী কনভেনর, নোংমাইথেম কিরনকুমারনা থৌরম মপু ওইবীদুনা নুংঙাইরবা থৌরম অমা ওইনা পাঙথোকখি।

অদুগা চথরক্লিবা ফেষ্টিবেল অসিগী অরোইবা হুম্নি শুবা নুমিত্তা ইম্ফালদগী খা পাংনা চৎলগা লৈবা অৱাং নোংপোক লমগী লেমজ নিংঙাই ওইরবা, লোক্তাক পাৎকী মফম অমদা থৌরম পাঙথোকখি। লোক্তাক পাৎতি পুম্নমক্কা উনরবা খঙনরবা মফমনি অদুবু লোক্তাক ইশা মাপল হায়বা মফমশিং অদুদি মীপুম তিংনা খঙবা, য়ৌবা য়াওরমগনি থাজদে। খঙদবা য়ৌদবা ময়ামদুগী মনুংদা ইজরিবা ঐসু অমনি। লোক্তাক ইশা মাপলগী শরুক অমা ওইরিবা থাঙ্গা কারাংদা হুম্নিশুবা নুমিৎ অদুগী অরোইবা থৌরম ওইনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরমদা শৈরেং ইবা, শৈরেং ইবী কুনহুমদোইনা শৈরেং থিনদুনা মপুং ফাবা থৌরম ওইখি।

ইমিনেন্ট রাইটর, একাদেমি এৱার্দি য়ুমলেম্বম ইবোমচানা অহানবা সেসনগী শৈদিন পুরেল ওইবীখি। অনীশুবা সেসনগী ওইনা ইমিনেন্ট রাইটর, একাদেমি এৱার্দি, ষ্টেট এৱার্দি আর কে ভুবোনস্নানা শৈদিন পুরেল ওইনা লেংশিনবিখি। মণিপুরগী মপান্দগী লেংবীরকখিবা অইবশিং, শক্লাইরবা এৱার্দি কয়ানা থৌরমগী লৈতেং ওইবিখি। লোয়ননা হাওরবা চাকলেন অমনা লেংবীরক্লিবা পুন্নমকপু তরাম্না ওকপিখি।

সাহিত্য, কলচর, জগোই, ঈশৈ, থৌরম অসিদগী খরদং থৈদোকচরগা ঐগী ৱাখলনা হঞ্জিন হঞ্জিন খল্লুরি, উরুরি, চীং অসিগী মশক, ওইরিবা মওং, চীং অমদি পাৎ অসিগী মপাল তাংলগা হিংলিবা মখোয়! করম্না ইন্থোক্তুনা থল্লসিগে, মীৎয়েংদগী, ৱাখলদগী। থৌ লৈত্রবা ৱাখলসিনা ৱাহৈ খরা হায়নিংলকই।

ঐখোয়না তোংলকপা বস অদুনা কারাং তাবা লম্বী মচা অদুদা থেক থেক্তুনা থৌরি। গাড়ি অমা লাকপদা থৈনফম লৈবা নত্তে। মদুবু দ্রাইভরগী হৈশিংবনি করম্না হায়রোইদগে। খল্লি, অসুক শাংলবা মতম অসিদা শেম্বীদ্রিবা লম্বী অসিবু মী ইচৎ চত্তদুনা তৌরিব্রা? নৎত্রগা লমদম অসিগী মপুনা য়েংশিনবিবা ৱাৎপনরা? ফম্না ফম্না গাড়ি মনুংদা খনখিবনি। নাকন্দনা চীং, মখাদনা ঈশিং ঈপাক, তাইনবদা লম্বী শেম্বা তরাইবদি নত্তে। পিতক তৌবা নুংসু থাদবা অঙম্বা লম্বী অমদা বস অদু থৌথরগা পাকতক তৌবা, নৌনা শেম্বা থেল মচা অমদা বস খাম্মী। মফমদু নৌনা শেম্বা ওইরমগনি হায়বসি চায়খায়রিবা, হৈথরিবা লৈবাকশিং অদুনা তাকই। পিতক তৌবা থেল নৎত্রগা লম্পাক অদুদগী কারাং চীং চৎকে হায়রবদি হি নৎত্রগা মোটোর বোট তোংলগা ঈশিং লম্বী অদুদা চৎকদবনি। ঈশিং লম্বী অসি নত্তনা কারাং চীং য়ৌনবা অতোপ্পা লম্বী লৈবা উদে। য়াম্না পাক চাউবা পুং কয়া চঙনা চৎপা ঈশিং ঈপাক্তি নত্তে। অদুবু চীং অদুদা খুন্দারিবা য়ুম কয়া, মীওই কয়া অদুগী হিংলিবা পুন্সি মহিং অদুবু পীক্লবা ঐগী ৱাখলদা নৈশিন্দুনা অসুম লৈরি।

সুপ্নগী মরম অমখক্লা লমজিংদুনা ইনিংহনখি ঐবু ...। মীওইবা অমনা হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা লৈনবা য়ুম, চানবা চীঞ্জাক, শেৎনবা ফি, মসিদি লীরবা ময়াম্না খঙনরবা ৱাহৈনি। মসি খক্তনা মীওইবগী হিংবগী তঙাইফদবা ওইবা য়াদ্রে, পাম্নরক্ত্রে। তঙাইফদবশিংগী মনুংদা অনা-অয়েক য়াওরকপা, অশোক-অপন থোক্লকপা, ইবা-পাবা মসিসু হিংবগী তঙাইফদবনি, মসি হাপচিনবনা হিংবগী তঙাইফদবদু অচুম্বা ওইগনি খঞ্জে। হোই মহৈ তমনিংবা হায়বদুনা খিক্তং লাইথোক্লা মফম অমা য়েংলগা নক্লবা খুল নৎত্রগা নাতৈ চাবা মফম অমদা তম্বগী খুদোংচাবা লৈবসু য়াই। হেন্না তঙাইফদ্রিবদি অনা অয়েক য়াওরকপা হায়বসিনি। ইকন কন্না নাবা ওইরবদি হি নৎত্রগা মোটোর বোট তোংহন্দুনা ঈপাক অদু লান্থোরকপা য়াই। মদুসু অপীকপা লম্বী অদুদা মোইরাং নৎত্রগা নক্লবা লায়েংশঙ য়ৌনবা লাকপা তাবনি।

ঐনা য়াম্না ৱাজবা, পাখৎচবা, খন্দবা ঙমদবা অমনা, মদুদা মশা ৱাইশঙদবী, মীরোনবী নুপী অমা খঙহৌদনা খুদোংথিবা থোক্লক্লবদি কমদৌগদগে হায়বসিনা ঐগী লৈতাদবা ৱাখল ওইরি। হায়নৈ, নুপীগী লাংফমদি অঙাং উনবনি। লেঙ-ওৎপা ঙমদ্রবা চৈনা খাংলিবী নুপী অদুবু ময়াম্না থাংলগা হিথক্তা হাপ্তুনা ঈপাক অদু লান্থোকপা তাব্রা? ঈপাক লান্থোরক্লবসু মফমদুদা লায়েংশঙ লৈবা নত্তে। থাপ্না শাংলবা চীং লম্বী অদুদা অমুক পুগদৌরিবনি। মদুদা খাঙগদবা চৈনাদু নুপী ওইরুবা মরালগীরা?

ইজরিবা ৱারেং মতেক অসিগী খুদোংচাবা লৌজরগা লৈঙাক মপু ওইবীরিবশিংবুসু পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। লোক্তাক পাৎকী ফজবা হেনগৎনবা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসিনা অতোপ্পা ৱাফম অমনি। চীংমক্তা খুদোং চাদ্রবসু ঈপাক অদু হেক লান্থোকপগা খুদোংচাবা অমখক ফংজনবা হেলথ সেন্টর নৎত্রগা মেটরনিটি হোস্পিটাল মচা অমতং নক্লা থম্বীরবদি মফম অদুদা খুন্দাজরিবা ইচে, ইচল, ইনম্মাশিংগী ৱাখল খরতা ওইরবসু চাউথোকচবা ঙমগদ্রা খঞ্জবনি। মসি তাঙাইফদবনি খন্না থম্মোয়নুংদা ফাওরকপদু হায়জবনি।

ঈশিংনা ইকোই কোইশিনবা ফজরবা চীং অদুগা পাৎকী ফজবা, নুংশিবা অদুখক্লা খোরিরোলগী মচাক ওইরগা অসুক চাউনা ৱাৎলিবা, হোরিবা অসিবু পলমদ্রবদি ঐগী খোরিরোলগী মচাক অদু ইশানা পেঞ্জগদবা মান্দে।

মমা ওইগদৌরিবী, মীরোনবী নুপীশিংগী অৱাবা, ঐখোয় পুন্না ফাওমিন্নসি। লমদমদুদা লৈরুবা নুপী মখোয়গী মরাইবক্লি হায়না খঙ্গে দাকপীরবদি, লাল্লোইদ্রা ৱাখলদো।

মীওইবনা ফজদ্রবদা মহৌশাগী ফজবসু অরেম্বনি। ●